# প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মতম অমত্তদা মীখল পাঙথোকপা পাম্লি



***ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৯ ঃ***
প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক অসিদা চহী খুদিংগী তোঙান তোঙানবা মীখল পাঙথোক্লিবা অদু লেপহন্দুনা মতম অমত্তদা পূন্না মীখল পাঙথোকপা পাম্লি।

লো কম্মিসননা লৈঙাক্তা খঙহনখিবদা লোক সভা অমসুং ষ্টেট এসেমব্লিগী মীখল মতম অমত্তদা পাঙথোকপা য়াবগী ওইথোকপা অদু ইং ২০১৯ দা ফেজ অনী থোক্লা পাঙথোকপা য়াবগী খুদোংচাবা ফংবা য়াই। ইং ২০১৯ দা লোক সভাগী মীখল পাঙথোক্কনি। চহী অদুমক্কী মনুংদা তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংগী এসেমব্লি মীখল পাঙথোকপগী মতমসু তারিবনি।

লো কম্মিসন্না রিকমেন্ট তৌখিবা মতূং প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং প্রসিদেন্ট রামনাথ কোভিন্দনা হীরম অদুগী মতাংদা পূক্নীং চঙলি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈঙাক পায়বা হৌরকপদগী লৈবাক অসিদা মীখল অমখক্তমক লৈহন্নবা মীৎয়েং থম্লকখিবা লৈখ্রে।

লৈবাক অসিগী ষ্টেট ২৯ গী মীখল লোক সভাগী মীখলগা মতম অমত্তদা পাঙথেকপা য়াননবগীদমক কন্সটিট্যুসন শেমদোকপগী তঙাই ফদবা লৈ হায়রি।

ষ্টেট পূন্নমক্কী ওইবা মীখল মতম অমত্তদা পাঙথোকপা হায়বা অদুদা খুদোংচদবা কয়া মায়োক্নবা য়াই। অদুম ওইনমক প্রাইম মিনষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মীৎয়েং মতম অমত্তদা লোক সভা অমসুং ষ্টেট এসেমব্লি মীখল পাঙথোকপনা মতম অমসুং শেল চঙবা হন্থহনবা ঙমগনি। লোয়ননা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা লৈঙাক্লা পায়খৎলিবা থৌশিল অমসুং তোঙান তোঙানবা হীরমশিংদা মীৎয়েং থম্বা ঙমগনি হায়রি।

ব্রাফম অদুগী মতাংদা লো কম্মিসন্না হায়, মতম অমত্তদা পূন্না মীখল পাঙথোকপা হায়বদু ইং ২০২৪ দদি ওইথোপা য়াই। ষ্টেট মীখলশিংগী সাইকল চুনবা মওংদা শেমদোক-শেমজিন তৌরবা মতূং ফিভম অদু শেমগৎপা য়াগনি। অদুম ওইনমক থৌশিল অদুনা লৈবাক অসিগী ফেদরেন ষ্ট্রকচরদা অকায়বা থোকহনবা য়াই। লোয়ননা রিজনেল পার্টিশিংগী ইন্টরেষ্টতসু চাউনা অকায়বা পিরকপা য়াই হায়না ন্যু দিল্লিদা বেজ তৌবা ষ্টদি ওফ ডিভলপপিং সোসাইটিগী দাইরেক্টর সঞ্জয় কুমারনা ফোঙদোরক্লি।

ইং ১৯৫১ দগী হৌনা লৈবাক অসিদা মীখল পাঙথোক্তুনা লাকখি। ইং ১৯৬০ দা ষ্টেট এসেমব্লি মীখল অদুদা মপূং ফাদবা ব্রারেপ লৌখিবনা মরম ওইরগা মীখলগী থবক থৌরমশিংদা য়ৈখাই থিনগাইবা কয়া লাকখি হায়রি।

লো কম্মিসন্না হায়, মতম অমত্তদা মীখল পাঙথোকপা হায়বদুগী অনীশুবা ফেজদা ষ্টেট এসেমব্লিশিংগী মীখল পাঙথোকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈগনি হায়রি।

ইং ২০১৯ গী লোক সভা মীখলদা ষ্টেটশিংগী মীখল পূন্না পাঙথোকহনবা হায়বসিদা রিজনেল পার্টিশিংগী ফেদরেন ওটোনোমি অমসুং রাজনিতিগী লমদা মনীং মখা তম্বা হায়বা কন্সটিট্যুসনগী কাঙলোন্দা অকায়বা থোকহনগনি হায়না হান্নগী চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নার ব্রাই এস কুরেসিনা ফোঙদোরক্লি।

মতম অমত্তদা লোক সভা অমসুং ষ্টেট এসেমব্লিগী মীখল পাঙথোকপা হায়বা অদুদা অহোংবা কয়া লৈহনবা মথৌ তারি। মতম অমত্তদা মীখল পাঙথোকপদা ভোট থাদগদৌরিবা মীওই চাদা ৭৭ না সেন্ট্রেল পার্টি অমসুং ষ্টেট পার্টিশিংদা শৌগৎপগী ব্রাফমদা চয়েৎনবা কয়া থোক্কনি।

ইং ২০২৪ দদি মতম অমত্তদা লোক সভা অমসুং ষ্টেট এসেমব্লি মীখল পাঙথোকপা হায়বদু ওথোকপা য়াবগী ফিভম লৈগনি। অদুবু ইং ২০১৯ দা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভাগী মীখল অসিদা ষ্টেট পূন্নমক্কী মীখল পাঙথোকপা হায়বদু ওইথোকপা য়ারোইদবা ফিভম অমা লৈরি।

ইং ২০১৯ দা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেট কয়াগী মীখল পাঙথোক্লবা শেম শারিবনি। অদুগুম্বা ষ্টেটশিং অদুগী ওইনদি ইং ২০১৯ দা পূন্না মীখল পাঙথোকপা হায়বদু ওইথোকপা য়াই। অদুম ওইনমক ষ্টেট ২৯ গী মনুংদা ষ্টেট ৬ নৎত্রগা ৭ খক্তমক পূন্না মীখল পাঙথোকপনা খোঙথাং অদু মায় পাকপা হায়বা য়ারোই হায়রি।

# নোর্থ কোরিয়াগা ব্রারী শান্নবদা মহৈ য়াল্লোইদবা লৈরবদি খোঙফম হন্দোক্কনি ঃ *ট্রম্প*







***ন্যু য়োর্ক, এপ্রিল ১৯ ঃ***
নোর্থ কোরিয়াগা ব্রারী শান্নবা পায়খৎলিবা থৌশিল অদু মহৈ য়াল্লোইদবা ওইরবদি খোঙফম হন্দোক্কনি হায়না য়ু এস কী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি জপানগী প্রাইম মিনিষ্টর সিনজো অবেগা পুন্না পাঙথোকখিবা পাউমীগী মীফম অমদা অবেনা হায়, নোর্থ কোরিয়াদা ন্যুক্লিয়ার খূৎলাই থাদোক্নবগীদমক অকনবা প্রেসর পীবা মথৌ তাই হায়খি।

দোনাল্ড ট্রম্পনা লৈবাক অদুগী মনিং মখা তম্বা এজেন্সি সি আই এ গী দাইরেক্তর মাইক পোমপিওনা নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিম জোং উনগা উন্নবা অরোনবা খোঙচৎ অমা চৎখি হায়বদু কনফার্ম তৌখ্রে। পোমপিলনা লিতল রোকেটমেন হায়রগা খঙনরিবা নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা অদুগা উন্নখিবা লৈখ্রে।

খোঙচৎ অদুনা ইং ২০০২ গী মতূংদা নোর্থ কোরিয়া অমসুং য়ু এস কী মরক্তা অৱাংবা থাক্তা পাউ ফাওননবা হোৎনখিবা থৌশিল অমনি। দোনাল্ড ট্রম্পনা নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিমগা চৎলিবা চহী অসিগী জুন থাদা ব্রারী শান্নবা পান্দম থমখি। অদুম ওইনমক ব্রারী শান্নগদবা মফম অদুদি লেপথোক্তনা লৈরিবনি হায়রি।

চৈরকসিদা সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট মুন জে ইন না নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিম জোং উনগা মথং চয়োলদা উন্নবা শেম শারি হায়রি।

মুন জে ইন না ঙসি ফোঙদোরকখিবদা নোর্থ কোরিয়ানা মপূং ফানা ন্যুক্লিয়ার খূৎলাই পায়দবা হায়বা থৌশিল অদুগীদমক শেম শারি। কোরিয়াগী লুচিংবা অমসুং ট্রম্প উন্নবা অদুনা ব্রারোইশিন অমা পুরক্কনি হায়বগী অচৌবা থাজবা থম্লিবনি হায়রি।

ট্রম্প-কিম উন্নবগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা মায়কৈদগী ব্রাফম কয়া ফোঙদোক্লরকপা লৈরি। ট্রম্পনা হায়, নোর্থ কোরিয়াগা ব্রারী শান্নগদবা অদু মায় পাক্লোইদবা ওইরবদি মহাক চৎলোই। করিগুম্বা মীফম অদুনা মায় পাকপগী লম্বীদা লাক্লোইদবা ওইরবদি মহাক্কী খোঙফম হন্দোক্কনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

নাকল অমরোমদা মুন জে ইননা হায়, নোর্থ কোরিয়াগা ব্রারী শান্নবগী খ্বাইদগী হেন্না খুদোংচাবা তাঞ্জা অদু লৈরে। ন্যুক্লিয়ার খূৎলাই থাদোক্লবগী ব্রাফম অদু য়ান্নরবদি হন্দোকপা য়াররোইদবা মায়কৈ অমদা চঙশিনবা ওইগনি। মদু খ্বাইদগী ফবা নুমীৎ অমসু ওইগদৌরিবনি। য়ু এস অমসুং কোরিয়া খক্তগী নৎতনা মালেমগী ওইনসু খ্বাইদগী ফবা মতম হায়বদু ওইগদৌরিবনি হায়রি।

জপানগী লুচিংবা সিনজো অবে অমসুং দোনাল্ড ট্রম্পনা ব্রারী শান্নদুনা লৈবাক অনীগী মরক্তা ফ্রি এন্দ ফিয়ার ওইবা ললোন ঈতিক্কী থৌশিল পায়খৎনবা য়ান্নখ্রে। লৈবাক অনীনা নাকল অনীমক্তা কান্নবা পীগদবা ললোন ঈতিক্কী থৌশিল অদু চখবা য়ানখি। অদুম ওইনমক ট্রম্পনা হায়, ট্রান্স পেসিফিক পাটনরসিপতা জপান অমুক হন্না য়াওরক্কদবনি। লোয়ননা ললোন ঈতিক্কী লমদা অতোপ্পা পার্টিশিংসু য়াওহনবা য়াবগী খুদোংচাবা অদু লৈহনগদবনি। মদু নৎত্রবদি য়ানরিবা ব্রাফম অদু থবক ওইনা পাঙথোকপদা অয়াবা পীবা ঙম্লোই হায়রি।

## জর্মন জিহাদিষ্ট মহমদ জামর সিরিয়াদা ফাজিনখ্রে

***দমাস্কস, এপ্রিল ১৯ ঃ***
সিরিয়াদা পোকপা জর্মনগী জিহাদিষ্ট মহমদ জামর অৱাং থংবা সিরিয়াদা খূৎলিংবা কর্দিস ফাইটরশিংনা ফাজিনখ্রে।

য়ু এস না শৌগৎপা সিরিয়ান দিমোক্রেটিক ফোর্স এলাইয়েন্সনা এ এফ পি ন্যুজ এজেন্সিদা ফোঙদোকখিবদা মহমদ হায়দর জামর ফাজিন্দুনা থম্লে। মহাক ব্রাহং পাউহং চখুরি হায়রি।

দিমোক্রেটিক ফোর্স এলাইয়েন্সকী কম্মান্দরনা মহমদ জামর ইস্লামিক ষ্টেট মিলিটেন্টশিং শৌগৎখিবরা হায়বগী মতাংদদি ব্রাফম অমত্তা ফোঙদোকখিদে।

য়ু এস না লুচিংবা আই এস লাকশিন্নবা হোৎনরিবা কাঙবুনদি পাউ অদু চপ চানা কনফার্ম তৌদে হায়না ফোঙদোরক্লি। এস দি এফ না আই এস ফোরেন মিলিটেন্ট চা কয়া ফাজিন্দুনা থমখিবসু লৈখ্রবনি। আই এস না খালিফাট লাওথোক্তুনা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লিবা রাকা মনাক্তা লৈবা কেম্প অমদা মিলিটেন্টশিংনা মীওই কয়া ফাজিন্দুনা থম্লি হায়বগী পাউ ফংলে।

জর্মন পাউ চে অমনা মহমদ জামর ফাজিনখ্রে হায়বদু অহানবা ওইনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোরকখি। পাউ চে অদুগী মতূং ইন্না কর্দিস পিপলস প্রোটেক্সন য়ুনিটনা সিরিয়ান দিমোক্রেটিক ফোর্সপু মখোয়গী মখাদা থম্লি।

জামর ইং ১৯৭১ দা সিরিয়াদগী জর্মন্দা চৎখি। ইং ১৯৯০ গী মতমদা মহাক জর্মনগী সহর হম্বর্কতা ইস্লামিসশিংগী লুচিংবা ওইনা খনখিবসু লৈখ্রবনি হায়রি।

জর্মন ওথোরিটিনা জামরগী মতাংদা চিংনবা কয়া লৈখি। মহাক্লা টেরোরিষ্টশিংদা মতেং পীখি হায়বগী চিংনবা লৈবগা লোয়ননা থিগৎপগী থবক চথখিবসু লৈখি হায়রি।

## শেলয়েক লৈতবগী অৱাবা কোক্লগনি ঃ *এস বি আই*

***ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৯ ঃ***
ষ্টেট খরদা শেলয়েক লৈতবগী অৱাবা মায়োক্লরিবা অদু হয়েংদি কোকহনবা ঙম্লগনি। শেলয়েক্কী অৱাৎপা লৈরিবা ষ্টেটশিং অদুদা শেল থাজিনখ্রে হায়না ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া (এস বি আই) গী চিয়ার্মেন রাজনিস কুমারনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

কুমারনা হায়, লৈবাক অসিগী ষ্টেট খরদা শেলয়েক ৱাৎপগী খুদোংচাদবা মায়োক্লরি। এ টি এম বুদশিংদা শেলয়েক য়াওদবগী খুদোংচাদবা লৈরে। অদুগুম্বা খুদোংচাদবা অদু হয়েংদি কোকহনবা ঙম্লগনি। তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদা থেংনরিবা শেলয়েক লৈতবগী খুদোংচাদবা অদু মান্নদবা কয়া লৈরি। টেলঙ্গনা অমসুং বিহারদা ওইরিবা খুদোংচাদবশিং অদুগা অতোপ্পা ষ্টেটশিংদা থেংনরিবা অদুগা মান্নদে। অদুগুম্বা খুদোংচাদবশিং অদু হয়েংদি কোকহনবা ঙম্লগনি। ঙসি নুমিদাংৱাইরম শেলয়েক অৱাৎপা লৈরিবা ষ্টেটশিং অদুদা শেলয়েক কয়া থাজিনখ্রে হায়রি।

ফাইনান্স মিনিষ্ট্রিগী পাউ মতূং ইন্না অন্ধ্র প্রদেশ, টেলঙ্গনা, কর্নটকা, মধ্য প্রদেশ অমসুং বিহারনচিংবা ষ্টেটশিংদা মহৌশাগা মান্নদবা মওংদা শেলয়েক কা হেন্না দিমান্দ তৌরকপা লৈখ্রে।

চৎলিবা থা অসিগী ১৩ ফাওবদা শেলয়েক দিমান্দ তৌরকপগী চাং অদু লুপা ক্রোর ৪৫,০০০ ওইখি। কুমারনা হায়, বেঙ্কতা শেল লৌথোক লৌশিন তৌবা হায়বসিদা তঙাই ফদবা অমা ওইরিবদি শেল থমজিল্লকপা হায়বসিনি। মীয়াম্না বেঙ্কতগী শেল লৌথোক্লবগীদমক রিসাইকল তৌদুনা শেল থমজিল্লকপগী মথৌ তারিবনি। বেঙ্কশিংদা শেল থমজিল্লকপগী চাং কা হেন্না ৱাৎপনা মরম ওইরগা শেল লৌথোক্লবা হোৎনবশিংদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লখি।

মীয়াম্না চপ চাবা থবক তৌরবদি বেঙ্কনসু চপ চানা মথৌ তৌবা ঙমগনি। মদু নৎত্রবদি লৈবাক অসিদা শেলয়েক ৱাৎপগী খুদোংচাদবা মায়োক্লগনি। খ্বাইদগী মরু ওইরিবদি শেলয়েকশিং রিসাইকল তৌবা হায়বসিনি। মীওই কয়ানা বেঙ্কতগী শেল লৌথোকখিগনি। অদুগা কয়ানা বেঙ্ককী শেল থমজিল্লক্কনি। থমজিনবা অমসুং লৌথোকখিবগী চাং অদু মান্নদ্রবদি খুদোংচাদবা অদু শোয়দনা মায়োক্লরগদবা ব্রাফম অমনি হায়রি।

ইকোনোমিক এফিয়ার্সকী সেক্রেটরী সুবাস চন্দ্র গর্গনা চয়োল অসি হৌরকপদা ফোঙদোকখিবদা লৈঙাক্লা লুপা লীশিং অনী চৎপী শেলয়েক কয়া থাদোকখ্রে। অদুম ওইনমক শেলয়েকশিং অদু সার্কুলেসন তৌননবগীদমক বেঙ্কশিংদা হল্লকখিদে। খুদোংচাদবশিং অদু লাকশিন্নবগীদমক লৈঙাক্লা ৫০০ চৎপী হান্নদগী শরুক মঙা হেনগৎনা নমখ্রবনি হায়রি।




## অরুনাচল প্রদেশকী ই এন জি জি মিলিটেন্ট মরি ফারে

***ইটানগর, এপ্রিল ১৯ ঃ***
অরুনাচল প্রদেশকী চাংলাং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা মিৱাও সহরদা সেক্যুরিটি ফোর্সনা থি হুম্বগী থবক চখবদা ই এন জি জি গী কাদর মরি অমসুং লূপ অদুগী ওভর গ্রাউন্দদা থবক তৌবা মীওই অমা ফাগৎপা ঙমখ্রে হায়রি।

ইন্টিলিজেন্সকী পাউ মতূং ইন্না অসাম রাইফলসকী জয়রামপুর বাতালিয়ন্না অকনবা থবক চখবদা ই এন জি জি গী কাদর মরি অমসুং ওভর গ্রাউন্দদা থবক তৌবা মীওই অমা ফাগৎপা ঙমখি।

সেক্যুরিটি ফোর্সনা লমদম অদুদা ওপরেসন চখবা হৌরকপদা মিলিটেন্টশিং অদু নাম্থোকখিনবা হোৎনখি। অদুম ওইনমক সেক্যুরিটি ফোর্সনা ওভর পৱার তৌদুনা মিলিটেন্টশিং অদু ফাবা ঙমখিবনি হায়রি।

মীওইশিং অদু মিৱাওদা নহা ওইরিবা মীওই কয়া লালহৌবা য়াওহন্নবা থবক তৌবা অমসুং টেরোরিজমগী থৌওং কয়া চখবনি হায়বা খঙবা ঙমখ্রে। মীওইশিং অদু ব্রাহং পাউহং চখবদা মখোয় ই এন জি জি হায়বা আইন্না য়াদবনি হায়না লাওথোকখ্রবা লূপ অমদা য়াওবা মীওইশিংনি হায়বা খঙবা ঙমখ্রে হায়রি।

## সুপ্রিম কোর্টকী ৱেবসাইটতা ক্রাস তৌখ্রে

***ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৯ ঃ***
জজ বি ঐচ লোয়া লৈখিদবগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টনা ৱায়েল লাওথোকখিবা মতূংদা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা কোর্ট অদুগী ৱেবসাইট ক্রাস তৌখ্রে।

পাউ অসিগী মতূং ইন্না সুপ্রিম কোর্টকী ৱেবসাইট অদুগা পাউ অমত্তা ফাওনবা ঙম্লরোই। ৱেবসাইট অদু হৌজিক পাউ ফাওনবা য়াদবা ফিভম অমদা লৈরে হায়রি।

নাকল অমরোমদা সোসিয়েল মেদিয়া শীজিন্নবা কাঙবুশিংনা সুপ্রিম কোর্টকী ৱেবসাইট অদু হেক তৌখ্রে হায়না ফোঙদোক্লরক্লি। সুপ্রিম কোর্টকী ৱেবসাইট অদু ব্রাজিনগী হায়টেক টিম অমনা হেক তৌরম্বা য়াবগী চিংনবা লৈ। ৱেবসাইট অদুগী মেসেজশিং স্ক্রন সোট লৌহৌবশিং অদু য়েংলগা ৱেবসাইট অদু হেক তৌরম্বা য়াই হায়বগী চিংনবা ফোঙদোক্লরকখিবনি। মমাঙদা পাকিস্টান্দা বেজ তৌবা ওপরেটিভ টিম অমনা নেস্নেল সেক্যুরিটি গার্দকী ৱেবসাইটতা হেক তৌখিবসু লৈখ্রবনি। লোয়ননা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মায়োক্তা অকনবা ব্রাফম ফোঙদোরকখিবসু লৈখ্রে হায়রি।

## রাহুল গান্ধীনা মখোয়গী ইমুং মনুংগী মীওই নত্তবা মীওইশিংবু লৈবাক অসিগী থৌ পুহনবা পামদে ঃ *জোগি অদিত্যনাথ*



***লক্ষনৌ, এপ্রিল ১৯ ঃ***
উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর জোগি অদিত্যনাথনা ঙসি কংগ্রেস পার্টিদা অকনবা এটেক্ট চখদুনা ফোঙদোকখিবদা রাহুল গান্ধীনা মখোয়গী গান্ধী ইমুং মনুংগী মীওই নত্তবা কনাগুম্বশিংবু লৈবাক অসিগী মরু ওইবা থৌ পুহনবা পামদে হায়না মরাল শীখ্রে।

জজ লোয়াগী কেস লোয়শিনখ্রে। কেস অদু নীংথিনা লোয়শিনখিবা অদুনা তাক্লে, মদুদি কংগ্রেস পার্টিনা হঙ্গোইনিঙাই ওইবা থৌওং কয়া চখুরি। রাহুল গান্ধী য়াওনা দেলিগেট ১৫০ না অরানবা ব্রাফম শন্দোক্তুনা জজ লোয়াগী মীশিগী মতাংদা লান্না লমজিংনবা হোৎনখি।

কংগ্রেসকী ফিরেপ অদু ঙসিদি ময়েক শেংনা ফোঙদোরক্লি। জজ লোয়া লৈখিদবা অদু খূৎ থোক্লবা অমদা লৈখিদবনি হায়না ব্রাকৎলকখি। অদুম ওইনমক মীওই অদু নাগপুরদা লূহোংবগী থৌরম অমা য়াওরিঙৈদা হার্ট এটেক্ট তৌরক্তুনা লৈখিদবনি হায়বা অদু ময়েক শেংনা ফোঙদোকখ্রে।

ওপোজিসন পার্টিনা লৈবাক অসিগী দিমোক্রেসিদা শীংনরকপগী থৌওং অদু ময়েক শেংনা উৎথোক্লে। কংগ্রেসকী লুচিংবা রাহুল গান্ধীনা প্রসিদেন্ট রামনাথ কোভিন্দ উন্নদুনা জজ লোয়াগী মীশি অদু মনিংতম্বা এজেন্সি অমদা শিন্নদুনা থিগৎহন্নবা তকশিনবা লৈখি।


জজ লোয়া মীশিগী মতাংদা থাঙ্গৎলকখিবা ব্রাকৎ অদুদা মশক উদবা খূৎ অমা য়াওরি। মদু রাহুল গান্ধীনা লান্না লমজিংবনি হায়না মরাল শিরক্লি।

ইন্দিয়াগী জুদিসিয়ারি অমসুং দিমোক্রেসিদা লান্না লমজিংনবা হোৎনখিবা অদুগীদমক রাহুল গান্ধীনা লাল্লে হায়না শেংদোক্কদবনি হায়রি।

জজ লোয়া লৈখিদবগী মতাংদা মনিং-মখা তম্বা এজেন্সি অমনা থিগৎহন্নবা পিটিসন মঙা ফাইন তৌরকখি। মীশি অদুগী মতাংদা লোয়াগী মচন্নুপী অনুরাধা বিয়ানিবু কারাভান মেগাজিন্না ইন্টর্ভ্যু লৌখিবসু লৈখ্রে। লোয়ননা জজ অদুগী মরী মতা অমনা ফোঙদোরকখিবদা লোয়াদা অচৌবা শেলফম অমা পীদুনা শেঞ্জা থুমজা চখহন্নবা হোৎনরকখি। মদুনা মরম ওইরগা মশক নাইরবা মীওই অদুগী পূক্নীং ব্রাখলদা অচৌবা প্রেসর অমা লৈহনখি হায়রি।

ওইরক্লিবা ফিভমশিং অদু য়েংলগা চীফ মিনিষ্টর জোগি অদিত্যনাথনা কংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীদা অকনবা মরাল শীরকখিবনি হায়রি।

# জজ লোয়াগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টনা পীখিবা ৱায়েল অদুনা জুদিসিয়ারিবু লালনা লমজিংবা য়ারোই হায়বদু উৎলে ঃ *রাজনাথ*





***ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৯ ঃ***
জজ বি ঐচ লোয়া লৈখিদবগী মতাংদা থিগৎনবা ৱাকৎ অমা সুপ্রিম কোর্টনা রিজেক্ট তৌখিবা অদুনা ময়েক শেংনা তাক্লে, মদুদি জুদিসিয়ারি হায়বসি লালনা লমজিংবা য়ারোইদবা অমনি। রাজনিটিগী ওইবা খুদোংচাবা লৌননবা মরাল শীবা হায়বদু ওইথোক্লোইদবা অমনি হায়না য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

মিনিষ্টর অদুনা ঙসি ট্যুটরদা ফোঙদোরকখিবদা বি জে পি অমসুং মকোক থোংবা লুচিংবশিংগা শাশিন্নবা কেসশিং থাঙ্গৎতুনা চিংথনবা হোৎনরকপা কয়া লৈরি। বি জে পি দা অতম্নবা তার্গেট তৌরকপা অমসুং পার্টি অদুগী লুচিংবশিংগী করেক্তর মাঙহন্নবা শাশিন্নবা থৌদোকশিংদা য়ূম্ফম ওইদুনা ৱাকৎ কয়া থাঙ্গৎলক্লি। অদুগুম্বা থৌশিলশিং অদু হন্দক্তি মায়থিরে হায়বা অদু উৎলে।

সুপ্রিম কোর্টনা জজ লোয়া শিখিবগী মতাংদা পি আই এল থাঙ্গৎলকখিবা অদুগী মরু ওইবা ৱাখল্লোন করিনো হায়বা ৱাহং হংলকখ্রে। রাজনিটিগী ওইবা থৌরী চিংনবগী লালফমদা জুদিসিয়ারি নৎত্রগা কোর্টপু লান্না লমজিংনবা হোৎনরোইদবনি হায়খ্রে।

সুপ্রিম কোর্টকী ৱায়েল অদুনা রাজনিটিগী খুদোংচাবা লৌননবা হোৎনদুনা জুদিসিয়ারিবু লান্না লমজিংনবা হোৎনরকপা অদু য়াদে হায়বা উৎখ্রে।

সুপ্রিম কোর্টনা ঙসি জজ লোয়া লৈখিদবগী মতাংদা মনিংতম্বা এজেন্সি অমনা থিগৎহন্নবা থাঙ্গৎলকখিবা ৱাকৎ দিসমিস তৌখ্রে। কোর্টনা হায়, ৱাকৎ অদু ৱাথোক অমা ওইহন্নবা শিনবা অমসুং অচুম্বা ৱায়েল ফংহনবগী থবক্তা য়ৈখাই থিনগাইবা পীরকপা অমনি। জজ লোয়া লৈখিদবগী মতাংদা অৱাংবা থাক্তা লৈবা মীওই অমনা জজ লৈখিদবা অদু খূৎ থোক্লবা অমদা লৈখিদবনি হায়না পি আই এল থাঙ্গৎলকখি। মদু রাজনিটিগী মীৎয়েংদা খুদোংচাবা লৌননবা হোৎনবা অমনি হায়রি।

জজ লোয়া ইং ২০১৪ গী দিসেম্বর অমদা কারদিয়াক এরেষ্ট তৌদুনা নাকপুরদা লৈখিদবনি। মতম অদুদা মীওই অদু মহাক্কী তিন্নবা মীওই অমগী মচানুপী লূহোংবগী থৌরম অমা য়াওখিবনি। মীশি অদু মহৌশাগী ওইবা অমনি হায়রি।

জজ লোয়া লৈখিদবা মতূং চহী অদুমক্কী নভেম্বর থাদা মহাক্কী মচন্নুপীনা মীশি অদু চিংননিঙাই ওইবা মওংদা পুখৎলকখি। অদুম ওইনমক সুপ্রিম কোর্টনা মীশি অদু মহৌশাগী ওইবা থৌদোক অমনি হায়না ৱায়েল পীখ্রে।

চীফ জষ্টিস দিপক মিস্রানা জজ লোয়াগী মীশি অদু কূপ্না য়েংশিল্লবা মতূং মহৌশাগী ওইবা মীশি অমনি হায়না ফোঙদোরকখিবনি। জষ্টিস দিপক মিস্রানা লুচিংবা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা কোর্ট অদুগী পেন্স অমনা য়েংশিল্লবা মতূং থৌদোক অদুগী মতাংদা ৱাকৎলকখিবশিং অদু রাজনিটিগী খুদোংচাবা লৌননবা হোৎনবা অমসুং জুদিসিয়ারিবু লান্না লমজিংনবা হোৎনবনি হায়না ফোঙদোরকখিবনি হায়রি।

### GAS TODAY

**Misao Gas Service**
Booking : 08/03/18
Valid : 15/02/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**M M Gas**
Booking : 24/02/18
Valid : 22/02/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m
Rate : Rs. 762.50/-

সনা-সুদোকু -১১৪৫ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 6 | 2 | 9 | 5 | 1 | 3 | 8 | 7 | 4 |
| 1 | 5 | 4 | 7 | 2 | 8 | 3 | 9 | 6 |
| 3 | 7 | 8 | 4 | 6 | 9 | 5 | 2 | 1 |
| 7 | 9 | 3 | 6 | 4 | 2 | 1 | 5 | 8 |
| 4 | 6 | 2 | 1 | 8 | 5 | 7 | 3 | 9 |
| 5 | 8 | 1 | 3 | 9 | 7 | 4 | 6 | 2 |
| 8 | 3 | 6 | 9 | 5 | 1 | 2 | 4 | 7 |
| 9 | 1 | 5 | 2 | 7 | 4 | 6 | 8 | 3 |
| 2 | 4 | 7 | 8 | 3 | 6 | 9 | 1 | 5 |

### SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1146**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 7 | | | 6 | 3 | 4 | 8 | | 1 |
| | | | 1 | | | | | |
| | | | 7 | | 8 | 9 | | 2 |
| | | | 9 | | 7 | 5 | 6 | |
| | 9 | | | | 2 | | | |
| | | 4 | | | 6 | | | |
| 1 | | | 2 | 9 | | | | 3 |
| | | 8 | | | | | | |
| 6 | | | | | | | 4 | |